# অথুবা মতমদা মুক্না ষ্টেদিয়ম অমা শারগনি : সী এম




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসি ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা অথুবা মতমদা মুক্নাগী ষ্টেদিয়ম অমা শাদুনা মমি শামজিল্লক্লবা মশান্না অসি কন্নবা অমদি য়োকখৎননবা হোৎনরগনি হায়খি।

ৱাফম অদু মহাক্না ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈ ওইনাম থিঙেল লাইরেম্বী লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল মুক্না তকখৎনবা ২০১৯গী লোইশিনবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না মখা তারদুনা ষ্টেট অসিগী ইন্দিজিনস গেমশিং অসি য়োকখৎনবা হৌজিক লৈরিবা মহাক্কী লৈঙাক্না কন্না হোৎনরি হায়খি।

চহী অসিদগী হৌরগা ষ্টেট লৈঙাক্কী কেলেন্দর ইভেন্ট অমা ওইনা এন্যুএল ইন্দিজিনস মার্সেল আর্টস মীট পাঙথোক্লগনি হায়নসু থমখি। হায়রিবা চহীগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিজিনস মার্সেল আর্টস মীট অসি দিসেম্বর ১৮দগীনা ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি।

মহাক্না মণিপুরগী ওইবা ইন্দিজিনস গেমসশিং অসি অহেনবা থাক্তা পুখৎনবা লোকল ক্লবশিংনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসি য়াম্না থাগৎনীংঙাই ওই অমদি হরাউবা ফাওই হায়খি।

মণিপুরদা হৌজিক দ্রগ অমসুং য়ুনা মাঙহল্লবা নহা কয়া অমা লৈরিবা অসিনা তুংদা লাক্কদৌরিবা জেনরেসনশিংদা চাউনা অকায়বা পীগদৌরিবনি। ষ্টেট অসিগী তুংগী য়ুম্বীরেলশিংবু মাঙহন্নবা দ্রগনা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরগা থবক পায়খৎপা মশক খঙদবা লূপ নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন খরসু লৈরে হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা মীয়াম অমদি লৈঙাক্না পূল্লগা তুংগী য়ুম্বীশিং অসিবু কন্নবা হোৎনমিন্নবা মতম য়ৌরে হায়না সী এম বিরেন্না মখা তাখি।

নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকপা ষ্টেট লেভেল মুক্না তকখৎনবা ২০১৯ অসি ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ইরমদম ইনাৎ য়োকখৎ লূপ অমসুং ঐখোয়গী ক্লব অনীনা পূন্না শীনখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ঐচ দিঙো লোয়ননা য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ টি ঐচ সৈত্যবর্ত্তসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

স্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল জে এন হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৯

# নুপীমচাগী চহী ১৭ মখাগীদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং যু-১৫ বোইজকীদনা ইম্ফাল ইষ্টনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে





ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): দিরেক্টরেট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১২দগী চথরকখিবা ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল জে এন হোকি টুর্নামেন্টকী চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা লোয়ননা অন্দর -১৫ বোইজ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী চহী ১৭ মখাগীদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং য়ু-১৫ বোইজকীদনা ইম্ফাল ইষ্টনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী চহী ১৭ মখাগী মেচতা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট লম্বা তৌনখি। মেচ অদু ইম্ফাল ৱেষ্টনা ইম্ফাল ইষ্টপু পাঞ্জল ১০-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু টি অঙৈংবী জর্সি নম্বর ১১না মেচকী অহানবা, অনীশুবা, ১৫শুবা, ৩৩শুবা, ৪৪শুবা অমদি ৫২শুবদা পাঞ্জল তরুক, এন বিনা জর্সি নম্বর ৮না মেচকী ২৩শুবা, এম প্রিয়া জর্সি নম্বর ৯না মেচকী ৩৮শুবদা পাঞ্জল অমমম অদুগা এস ঐচ তনু জর্সি নম্বর ১০না মেচকী ৪৫শুবা অমদি ৫২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ইম্ফাল ইষ্টকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা ঐচ বিদ্যালক্সমি জর্সি নম্বর ১০না মেচকী ৫১শুবা মিনটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী চহী ১৫ মখাগী মেচতা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা ইম্ফাল ইষ্টনা ইম্ফাল ৱেষ্টপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ৱাই বিদ্যানন্দ জর্সি নম্বর ৭না মেচকী ২১শুবা অমদি ৩৫শুবা পাঞ্জল অনী, কে ঐচ সোমিকান্ত জর্সি নম্বর ১৩না মেচকী ২৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাঞ্জলশিং অদুনা আই রোহিট জর্সি নম্বর ৫না মেচকী ৯শুবা অমসুং ১৩শুবা মিনটতা চনখি।

## অপগ্রেদেসন সার্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): ইন্টরনেসনল সিটো রু করাটে ফেদরেসন ইন্দিয়ানা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোই পার্ট ৱান্দা লৈবা মেয়ন দোজোদা করাটেকাশিং অমসুং ইন্সত্রক্টরশিংদা অপগ্রেদেসন সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখ্রে।

অপগ্রেদেসন সার্টিফিকেটশিং অদু ফেদরেসন অসিগী চীফ ওইরিবা মুতুম বঙ্কিম (সভেন দান) না আই জি এ আর (সাউথ) কী চীফ মেদিকেল ওফিসর ওইরিবা কম্মান্দেন্ট দিথি চক্রবতি য়াওবা থৌরম অমদা য়েন্থোকখিবনি।

মায় পাক্লবা অপগ্রেদেসন সার্টিফিকেট ফংলবা করাটেকাশিং অদুদি সোইবম নিংঙোল চন্দ্রিমা (মঙাশুবা দান), সোইবম বিন্দেশ্বরি চনু (মঙাশুবা দান), লাইতোঞ্জম সন্দিপ (মঙাশুবা দান), সিটেন্দর কুমার (মঙাশুবা দান), নিংথৌজম ওজিৎকুমার (অহুমশুবা দান), নোংথোম্বম রাজেশ্বর (অহুমশুবা দান), মাইমোম ওমেস (অহুমশুবা দান), সৌগ্রাকপম গুনচান্দ (অনীশুবা দান), প্রদিটি য়াদব (অনীশুবা দান), জানিকা য়াদব (অহানবা দান) অমসুং অনর্ব দ্যুরি (অহানবা দান) নি।

# লময়ানবা জিমগী সোমানন্দনা সেনিয়র মিষ্টর য়াইরিপোক, কে বি বিগী প্রিয়াঙ্করনা মিষ্টর লময়ানবা ২০১৯ তাখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): মণিপুর অমেচর বোদিবিল্ডিং এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা লময়ানবা জিম য়াইরিপোক টোপ চীংথানা শীন্দুনা ঙসি য়াইরিপোক টোপ চীংথা পুখ্রি অচৌবা মপাল কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা ৬শুবা ওল য়াইরিপোক ওপন (মিষ্টর য়াইরিপোক) দা লময়ানবা জিমগী সোমানন্দনা সেনিয়র মিষ্টর য়াইরিপোক অমসুং ৬শুবা ষ্টেট লেভেল (মিষ্টর লময়ানবা) বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ দনা কেবিবি জিমগী প্রিয়াঙ্করনা মিষ্টর লময়ানবা তাখ্রে।

তরুকশুবা ওল য়াইরিপোক ওপন বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী সেনিয়র কেটেগোরিদা লময়ানবা জিম য়াইরিপোক টোপ চীংথাগী খাঙেম্বম সোমানন্দনা সেনিয়র মিষ্টর য়াইরিপোক্কী টাইটল ফংখ্রে। অংথা জিমগী কোন্থৌজম রিসিকান্তনা অনীশুবা অমসুং লময়ানবা জিমগী লৌরেম্বম মালেমঙানবনা অহুমশুবা তাখ্রে। জুনিয়র কেটেগোরিগীদা লময়ানবা জিমগী মোমোচানা জুনিয়র মিষ্টর য়াইরিপোক্কী টাইটল লৌখ্রে। লময়ানবা জিমগী জেমসনা অনীশুবা অমসুং অংথা জিমগী বিদ্যাসাগরনা অহুমশুবা তাখ্রে। সব জুনিয়র কেটেগোরিদা লময়ানবা জিমগী কে ঐচ সহিদ অহম্মদনা অহানবা, এম দি জামিরনা অনীশুবা অদুগা মাইবম মঙালনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

৬শুবা ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী সেনিয়র কেটেগোরিদা কে বি বি জিমগী প্রিয়াঙ্করনা অহানবা, ষ্টার জিম ক্বাকৈথেলগী অকোইজম রতনকুমারনা অনীশুবা অমসুং লাইফস্টাইল ফিটনেসকী রোনাল্ড মাইস্নামনা অহুমশুবা তাখ্রে।

জুনিয়র কেটেগোরিগীদা ষ্টার জিম ক্বাকৈথেলগী কিষন জেমসন্না অহানবা, রোয়েল জিমগী কোংব্রাইলাৎপম নেপোলিয়ননা অনীশুবা পোজিসন অমসুং সুবোল ফিটনেস ওইনামগী মাইবম সঞ্জিৎনা অহুমশুবা তাখি। সব জুনিয়র কেটেগোরিদা খাঙেম্বম সোমানন্দ মৈতৈনা অহানবা, রোবার্ট এম অমসুং চন্দ্রকান্টনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

১৮শুবা মণিপুর ষ্টেট সব-জুনিয়র বোল্লিবোল ২০১৯

# নুপীমচা অমসুং নুপামচাগী সব-জুনিয়রদা টি আর ৱাই ভি সীনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ওইনাম বোল্লিবোল প্লেগ্রাউন্দ, পব্লিক হোলদা চথরকখিবা ১৮শুবা মণিপুর ষ্টেট সব-জুনিয়র বোল্লিবোল বোইজ এন্দ গর্লস টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী ফাইনেল মেচতা টি আর ৱাই ভি সীনা এন ৱাই ভিএবু সেট ৩-০দা অদুগা সব জুনিয়র বোইজকীদনা টি আর ৱাই ভি সীনা কে এল ৱাই জি সীবু সেট ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরকখিবা ১৮শুবা মণিপুর ষ্টেট সব-জুনিয়র বোল্লিবোল বোইজ এন্দ গর্লস টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী ফাইনেল মেচ অদুদা টি আর ৱাই ভি সী অমসুং এন ৱাই ভি এ লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা টি আর ৱাই ভি সীনা এন ৱাই ভি এবু সেট ৩-০ (২৫-২২, ২৭-২৫, ২৫-২০) দা মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখি।

সব জুনিয়র বোইজকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা টি আর ৱাই ভি সী অমসুং কে এল ৱাই জি সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা টি আর ৱাই ভি সীনা কে এল ৱাই জি সীবু সেট ৩-১ (২৫-২৭, ২৫-২২, ২২-২৫, ২৫-২৩) দা মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখি।

১৮শুবা মণিপুর ষ্টেট সব-জুনিয়র বোল্লিবোল বোইজ এন্দ গর্লস টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ওইনাম এ সীগী এম এল এ এল রাধাকিশোর, জয়কুমার, ও ধর্মো, এন চাউবা, ও মনিমতুম, এল সনাতোন, ৱাই কোথোংজাও, ইরোম জয়, ও ইবোচাতোম্বী, ডা. ও চাউবা, ও দেবেশ্বরনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

৭শুবা ষ্টেট লেভেল ফোর্থ মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৯

# শগোলবন্দ সয়াংনা এল কে সী সী (এ) বু থোইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): লংথবাল খৌপুম কলচরেল ক্লবনা শীন্দুনা লংথবাল খৌপুম প্লে গ্রাউন্দদা ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল ফোর্থ মেন সোক্কর ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা হৌদোকপগী মেচতা শগোলবন্দ সয়াংনা এল কে সী সী (এ) বু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল ফোর্থ মেন সোক্কর ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহৌবা মেচতা সগোলবন্দ সয়াং অমসুং এল কে সী সী (এ) লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা শগোলবন্দ সয়াংনা বোল হেন্না পায়দুনা ফজনা শান্নরকখি।

মেচকী ৯শুবা মিনটতা শগোলবন্দ সয়াংগী শান্নরোয় ৱাই রোচেট জর্সি নম্বর ৮না মহাক্কী টিমগী একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মখা তানা লেপ্তুনা চথরকখিবা এটেক অমদা মেচকী ২৯শুবা মিনটতা টিমমেট এস দিনচন্দ্র জর্সি নম্বর ১১না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ২-০দা অমুক মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এল কে সী সী (এ) গী মায়কৈদগী শোত্থরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এল কে সী সী (এ) না শোত্থরিবা পাঞ্জলশিং অদু ফুকৎনবা অকনবা শাফুগা লোয়ননা হোৎনরকখি। অদুবু শগোলবন্দ সয়াংগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা কান্নবা ফংখিদে। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এল কে সী সী (এ) না শোত্থরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

৭শুবা ষ্টেট লেভেল ফোর্থ মেন সোক্কর ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরমদা গাংমৈ কদুম্মৈ কবুই, গোলমৈ মাহোসিং, সোরাম সোমোরজিৎ, এল সোমেন্দ্রো অমদি কে ঐচ মেরিনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

৩শুবা দিভিজন ফুটবোল লীগ

# য়ু এম এফ সী মোইজিং অমসুং আর ঈ এফ এ দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন, থৌবালনা শীন্দুনা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি প্লেগ্রাউন্দদা অহুমশুবা দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী শান্নখিবা মেচ অমদা য়ু এম এফ সী মোইজিং অমসুং আর ঈ এফ এ পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহুমশুবা দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী অহুমশুবা মেচ ওইনা য়ু এম এফ সী অমসুং আর ঈ এফ এ লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা য়ু এম এফ সীনা অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা এটেকশিং চথরকখি।

মেচকী ১৫শুবা মিনটতা য়ু এম এফ সীগী শান্নরোয় জুমা খান জর্সি নম্বর ৮না মহাক্কী টিমগী পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনট অনী কান্নরগা মেচকী ১৭শুবা মিনটতা টিমমেট অকটর জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-০দা অমুক লৈহনখি। আর ঈ এফ এ লৈশাংথেমগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

মেচকী অনীশুবা হাফতা আর ঈ এফ এ লৈশাংথেমগী শান্নরোয়শিংনা শোত্থরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মখোয়গী হোৎনখিবা মহয় য়ানখি। ৪৯শুবা মিনটতা আর ঈ এফ এগী জর্সি নম্বর ৭ এল ওজিৎনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা পাঞ্জল অনীগী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি।

ইকান কান্নদনা পাঞ্জল হন্দোকপা হৌখিবা আর ঈ এফ এগী মায়কৈদগী এটেক থুজিল্লক্তুনা ৫১শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ২৮ টি ঐচ নিংথৌবনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদু আর ঈ এফ এ লৈশাংথেম অমসুং য়ু এম এফ সী মোইজিং পাঞ্জল ২-২দা লৈনখি। মেচকী লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী ২-২দা দ্রো চৎখি।

# এস দব্লিয়ু সীনা এস আর দি সী থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা ১৭শুবা কে এস ঐচ কিশোর কুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা এস দব্লিয়ু সী ৱাইখোংনা এস আর দি সী ককচীংবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে।

মেচ অদুগী হৌরকপা ১৪শুবা মিনটতা এস দব্লিয়ু সী ৱাইখোংগী জর্সি নম্বর ৯ টেজকুমারনা টিমগী একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। মেচ অদু মখা তানা এস দব্লিয়ু সী ৱাইখোংগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক চথবা ঙমখি।

শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা এস দব্লিয়ু সী ৱাইখোংগী জর্সি নম্বর ৭ ভুমেনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এস আর দি সী ককচীংবু ২-০দা মাঙজিল থাখি। এস আর দি সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ এস দব্লিয়ু সীগী টেজকুমারনা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা মেচ অদু মখোয়না ৩-০দা থোইখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এল ৱাই এনা এ আই এফ এবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখি। এল ৱাই এগী মায়কৈদগী রোমেকনা শান্নবগী ৩১ অমসুং ৬৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা টিম মেট দয়ানন্দনা ৩৯ অমসুং ৬০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চল্লগা এ আই এফ এবু ৪-০দা থোইখি।

# মাইবম ইবোমচা হরাও তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): মঙ্গোলিয়াগী উলানবাটরদা থা অসিগী ৬তগী ১২ ফাওবা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ইক্বিপ অমদি অনইক্বিপ বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী লিফটর মাইবম ইবোমচা মৈতৈবু হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ইমা কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে।

এসিয়ন ইক্বিপ অমদি অনইক্বিপ বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়নশিপ অদুদা মাইবম ইবোমচা মৈতৈনা সব জুনিয়র বোইজকী কেজি ৫৩ কাঙলূপকী ইক্বিপতা অপূনবা কেজি ১১৭.৫ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌরকখিবনি।

মাইবম ইবোমচা মৈতৈ কংলৈ ইকনমিক দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (কেদো) দা য়াওদুনা ইমা ইবেলশিংগী পোৎ চৈ থাংদুনা অমদি অকে অমৌগী পোৎলমশিং য়োন্দুনা লাইরিক তম্বা অমদি ইমুং মনুং পুরিবা শান্নরোয় অমনি।

# ৱাইদিএ মায়পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা চথরিবা ২শুবা দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টতা ৱাই দি এনা য়ু ও সীবু পাঞ্জল ৫-৩দা থোইখ্রে। ৱাই দি ওগী মায়কৈদগী এম নোংদম্বনা হেটত্রিক ফংখি। অদুগা অতোপ্পা পাঞ্জল অনীনা সন্দিপকুমার অমসুং কৃষ্ণননা চনখি। য়ু ও সীগীনা লানঙম্বনা ২ অদুগা রোমিওনা অমা চনখি।

# মেগা মণিপুর স্কুলগী মহৈরোয় ৩ গোল্ড ফংলক্লে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): থা অসিগী ৭তগী ১১ ফাওবা ঝরখণ্ডগী রাঞ্চি সিটিদা লৈবা সেফায়র ইন্টরনেসনল স্কুলদা পাঙথোকখিবা সী বি এস সী ইষ্ট জোন অমসুং ফার ইষ্ট জোন রাইফল এন্দ পিষ্টোল শুটিং কম্পিটিসন ২০১৯-২০দা মেগা মণিপুর স্কুলগী মহৈরোয় ৩ গোল্ড মেদল ফংলক্লে।

স্কুল অসিগী মহৈরোয় ফুরাইলাৎপম রাহুল শর্ম্মনা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা পোইন্ট ৩৫৫ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌরকপদা নত্তুনা বেষ্ট প্লেয়রগী ত্রোফিসু ফংলকখি।

নোংমাইথেম য়ুবরাজনা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা পোইন্ট ৩৮৪ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী কাঙলূপ্তা মেগা মণিপুর স্কুলগী মহৈরোয় সিলভিয়া লৌক্রাকপমনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ৩৬৫ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌবদা নত্তুনা বেষ্ট প্লেয়রগী মনাসু ফংখি।

সী বি এস সী ইষ্ট জোন অমসুং ফার ইষ্ট জোন রাইফল অমসুং পিষ্টোল শুটিং কম্পিটিসন ২০১৯-২০দা মেগা মণিপুর স্কুলগী মহৈরোয় অহুমনা গোল্ড মেদল ফংখিবা পার্ফোমেন্স অদুনা টিম চেম্পিয়নশিপকী ওইনসু রন্নর্স-অপ তারকখি।

মেগা মণিপুর স্কুলগী মহৈরোয় অহুমনা রাঞ্চিদা লৈবা সেফায়র ইন্টরনেসনল স্কুলদা পাঙথোকপা অহানবা সী বি এস সী স্কুলশিংগী ওইবা শুটিং কম্পিটিসন অদুদা মণিপুরগী ওইনা একাউন্ট হাংদোকপা ঙমদুনা রেকোর্দ থমখি হায়না মেগা মণিপুর স্কুলগী দিরেক্টরগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।



HL-P/3999/14,15,16...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com